

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯸, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯳꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, এপ্রিল ২৮, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০৩৫ শুবা মশীং

লাকশিনবা ঙমদবা কান্নদবা ঈহৌ

মীওই অমখক্কী পান্দমদা ময়াম ৱাহনবা অচুম্বা নত্তে

মণিপুরদা খ্বাইদগী ফজদবা, লৈবাক মচা তাদবা চৎনবী অমখক লৈ। হায়রিবা চৎনবী অসিনা খুন্নাই অসিবু মালেমগী মীৎমাঙদা য়োল্হোকই। অসিগুম্বা ফজদবা চৎনবী অদুদি ক্রাইম অমা থোরকপদা মোব ট্রাইয়ল চথ্বগী থৌওং অসিনি। অসিগুম্বা লাকশিনবা ঙমদবা কান্নদবা ঈহৌ অসি কৈদৌঙৈদসু পূক্নিং থৌগৎলোইদবনি। শম্না হায়রবদা নুপী অমদা তাথী-তাওইনা তৌই হায়বগীদমক থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা নুপা অমগী ময়ূম মীয়াম হূপ্না হৌরক্লগা মৈ থাদোকপা, মখোয়গী ইমুং-মনুং পূম্বা লৈকায়দগী তান্হোক্লনবা ৱারেপ লৌবা অমসুং মখোয়গী মরল-মথুম পূম্বা মৎপসিনি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি ষ্টেট অসিদা মশীং খঙদনা থোক্লে। চীংদসু তমদসু অদুমঙায়, মীয়ামগী মোবনা য়ূম কয়া তাঙ্গোয় ওনখ্রে। মীওই কয়া ৱায়েল তৌদনা হাত্তোকপিখ্রে। অদুবু ঐখোয়না খঙগদবদি লৈবাক অসি আইন চৎপনি। মশক ফজবা, মরল লৈবা, অচৌ-অশাং ফাওবা আইন অসিগী মথক্তা লৈবা ঙমদে। লৈবাক অসিদা পানখিবা নিংথৌরোলশিংনা ইগজিক্যুটিভ, জুদিস্যারি অমসুং লেজিসলেচর অহুম্মক পায়শিল্লিঙৈগী মতমদা ফাওবা মোব ট্রাইয়েলগী থৌদোক অসি য়াম্না তাঙনা থোকই। মহারাজ কুল্লচন্দ্রগী হাত্তুক্তা সনা কোনুংদা লান্দারকপা বৃটিশ ওফিসর মঙা মীতৈ লান্মীশিংনা ফাখি। বৃটিশ ওফিসর অমদি মীয়ামগী মোব মরক্তা পুখ্রম্বা কজাওনা তানা থিল্লগা হাৎখি। মীয়ামগী মোব অদু চাউথোরকপদগী হিংহৌরিবা ওফিসর মরি অদু ৱায়েল চথনবা মতম ফংখিদে। মীয়ামগী অপাম্বা মতুঙ ইন্না থাঙ্গাল জেনরেলনা মখোয় মরি অদু শঙলিংবগী মখুত্তা শীন্ননবা য়াথং পীখি। মসিমক্না তাক্লিবদি মরাল লৈরে হায়বা চপ চানা খঙলবা মীওই অমা হেক্তমক মীওই খরনা হুই হৌদোং হাৎপদৌনা কোয়তান তান্নরগা হাৎপা হায়বসি লৈবাকসিগী লোনা য়াদে হায়বদু ঙল্লিঙৈ মতমদগী অদুমক খঙনদুনা লাক্লবা ৱাফম অমনি। ৱাফম অসি ঙসিগী মীরোলনা নিংশিংনদে অমসুং লোবু খুৎনা পায়রগা শান্নরি। মসি অফবা মহয় ফংলোই।

মীয়াম্না ঙাইহাক্কী ওইবা ঈরাং শাগৎতুনা কনাগুম্বা মীওই অমা মরাল লৈরে হায়না লান্না লৌরগা ময়ুম মৈ থাদোকপীখিবা অমসুং মরাল শুক্লে লৈতবা মী অদুবু মীয়াম্না মরাল পীশিল্লগা মতম শাংনা কৈশুমশঙদা নমদুনা থম্লুগী থৌদোক অমসু মণিপুরদা থোকখ্রবনি। ময়ুম-মকৈ পান্দুনা লৈরবা নুপী অমা থিবা খঙদ্রে হায়দুনা নুপী ময়ুমগী কাঙবুনা মচানুপীদু নুপাদুনা হাৎলগা মাংহনখ্রবনি হায়দুনা মরাল শীদুনা মীয়াম হৌহল্লগা ময়ুম মৈ থাবীখি। মশক মমিং খঙদবা পুমথরগা নুপী অমগী অশিবা হকচাংদু মাংখ্রবা নুপীদুনি হায়না লৌরগা নুপাদুগী ময়ুমদা পোৎলোইবগী থৌদোকসু থোকখিবনি। মতমদুদা মণিপুর পুলিসনা করিসু হায়খিদে, মীয়াম্না তৌবদু অদুমক য়াখি। চহী খরগী তুংদা মাংখ্রে হায়রিবা নুপী অদু অতোপ্পা নুপা অমদা ময়ুম পাল্লগা লোৎতুনা লৈরম্বা থেংনবদগী মৈরা পায়বী লূপ অমনা পুরগা লাকখি। মসিমক্না মোব ত্রাইয়েল হায়বসি অচুম্বা নত্তে অমসুং মসিনা অফবা মহয় করিসু পুরক্তে হায়বা মীয়াম্না খঙবা য়ারে। মীওই অমা মরাল লৈরে হায়বসি মীয়াম্না হায়বা য়াদে। মরাল লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বদুদি ৱায়েলশঙনা লেপকদবনি। ৱায়েলশঙ য়ৌদনা মী অমবু মরাল লৈরে হায়দুনা হাৎপগী থৌদোক অসি চপ চাবা মী হাৎপগী চৈরাক ফংফম থোকই। লোগী থোঙদা মী অমা হাৎপদা মীয়াম্না হাৎপনি হায়বসি লৈতে। মীয়াম মরক্তুদা মীওই অদুবু হাৎপা খরখক্তুনি মীহাৎপগী চৈরাক ফংগদৌরিবসি। মদুগী শরুকপুদি লৈবাক অসিগী ৱায়েলশঙনা মীহাৎপনি হায়রিবা মীওই অদুগী অচুম্বা খঙদোক্লবা ৱায়েল চথহন্নবরোমদা মীৎয়েং থমহন্নিংই। মখোয়না খঙবা, উহৌবশিং অদু পুলিসতা নিংথিজনা হায়রগা ৱিটনেস ওইনা অকিবা য়াওদনা লেপ্পগদি মরাল লৈরে হায়রিবা মীওই অমত্তা ৱায়েলশঙদগী নান্হোক্তুনা চেনবা য়ারোই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি হন্দক্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উখোঙশাংদা পুলিস পার্সনেল অমনা নোংমৈনা কাপ্পদগী লন্নাই মহৈশঙ অমগী ওজানি হায়বা মীওই অমা লায়কন্নবা ঙমদনা শিবগী থৌদোক থোকখিবদু অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌফম থোকই। পুলিসনা মখোয়গী অনিংবা-অপাম্বা খরা ফংনবা হোৎনবদা মীবু মী ওইনা লৌদে হায়বগী অচঙবা খুদম অমনি হায়না লৌরবসু থোইনা লাল্লোই। কমদৌনা থাবল চোংফম মনাক্তা পুলিস পার্সনেল অদুনা লগাউ খাওফমদা লৈরম্বনো। করিগীদমক্তা মহাক্না মীওই অদু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনো হায়বনচিংবা কূপ্না থিজিল্লগা মহাক্কী ফংফম থোকপা চৈরাক্তি শোয়দনা ফংদবা য়ারোই। অদুবু শাওরিবনি হায়দুনা পুলিস পার্সনেল অদুগী ময়ুম মীয়াম হৌদুনা থুগায়বা অমসুং মৈ থাদুনা মাঙহন-তাকহনবা হায়বসিমদি অচুম্বা নত্তে। য়ুম অদু পুলিস পার্সনেল অদুখক্কী নত্তে, মহাক্কী মচাশিং, মহাক্কী লোয়নবী অমসুং অতৈ ইমুং-মনুংগী মীওই পুম্নমক্কীনি। ইমুংগী মীওই পুম্নমক মরাল লৈ হায়না লৌবা য়ারোই। মখোয়না মী অদুবু হাৎলু হায়না থৌদা পীরমগদবসু লৈতে। মরম অদুনা অসিগুম্বা মোব ত্রাইয়েলগী থৌদোক অসি থিংনবা লৈঙাক্না হোৎনগদবনি।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

চেকশিনসি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মী মশীংনা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপা অমরোমদনা লমগী পাক-চাউবদি হেনগৎপা লৈতবা মসিনা মরম ওইদুনা লৈফম চিন্নরকপদগী খোঙবান লুকপান ফুনজিন্নরকপদগী হেন্দোক্তুনা য়ূমলোন কৈরোন্নবগী লম খোপচিন্দুনা দখল তৌশিনবা য়াওনরক্তুনা খৎন-চৈনবা থোক্লকপা তারি, উরি। লমগী মরী লৈনবা লোয়শঙদা ৱাকৎলবসু শক-মায় য়েংদুনা অচুম্বা ৱায়েল ফংদবদগী মখা তানা ৱায়েলশঙদা কেস থেংনবা অসুম্না কেস থেংনরকপনা মপা হাক্তক্তগী মচা হাক্তক ফাওবা লোইবা নাইদবনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না থাজবা ৱাৎনরকপা কয়া উনা, খঙনা তানরি।

অসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লিবসি লৈঙাক্কী লমগা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা থবক তৌরিবশিংগী খুদোলনি হায়না মীয়াম্না ঙাঙনৈ।

চহীসিগী হৌখিবা মার্চকী তাং ১৯ দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা খন্ন নৈনবা অমা তারুবদা খঙলকই মদুদি লৈশেম-খুন্থোকঙৈদগী লৈরক্লবা কংলৈ খুন্নাইগী মাঙফদ্রবা লাইফম, খুরাই অহোংপুঙ ফাওবা মীতোপ মীয়ানচাদা পাট্টা পীদুনা খোপচিন্দুনা লৈখিবদা য়েংদুনা লৈবা ঙম্বা, অমরোমদনা ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা লাইফম অসিবু কন্ননবগী থৌদাং লৌনীংদ্রবা, ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা খুভম অসিবু কন্ননবা চোকথবা নাইদনা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লদুনা ৱায়েলশঙদা কেস চথ্বদা চহী ১২ হেল্লবফাওবা লোইদ্রিবা, ময়াম অসি তারবা, খঙলবনিনা ঐখোয় চেকশিঞ্জবা তঙাইফদ্রে।

ইশা ইশাগী ইঙ্খোলগী পাক চাউবা কুমজা ১৯৬০ গী মেপ অমদি লমগী রেকোর্দকী মতুংইন্না খঙদোকপীয়ু। লম ওনবা মতমদা সেট্টলমেন্ট দিপার্টমেন্টগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়োৎলি (চেন) পুরক্লবদি য়োৎলি অদু মতেক ১০০ না শাগনি। মতেক অমমম্বু লিঙ্ক হায়না খঙনৈ। লিঙ্ক অমগী অশাংবা ইঞ্চি ৭.৯২ নি। চেন মপূম অমগী অশাংবনা ফীট ৬৬ নি। কুমজা ১৯৬০ গী মেপকী মতুংদা য়েকপা মেপ পুরক্লবদি অনী অদুগী খেন্নবা করি লৈবগে খঙদোকপীয়ু। ৱাকৎপদা মতম অমদি শেল চঙবদগী কঞ্জনবা ইশাগী ইঙ্খোল ঙমখৈ শম্বল হান্না খাবীয়ু, য়ূম কোন্না শাবীয়ু।

অদোমগী - মাইবম রুপোবতি দেবী
সোইবম লৈকায় মেরি লৈরক

লেনিন - কুনশুবা চহীচাগী লাইপোক অমা

অওনবা মালেম

সৌবাম তোম্বা লুৱাং

মালেমগী কুনশুবা চহীচাদা মীথোই-মীহেনবা মীওই কয়া পোকখি। মদুগুম্বা মীওইশিং অদুগী মনুংদা মচং ওইবা মীওই খরখক খনগৎপদা লেনিনসু য়াওরিবনি। মালেমগী মীয়াম্না মশক খঙদবা লৈত্রবা শম্না লেনিন হায়না খঙনবা ভ্লাদিমির ইলিচ উল্যানোব কুনমাথোইশুবা চহীচাগী মনুংদা মালেমদা অচৌবা অওনবা পুরকখিবা য়াম্না মরুওইবা মীশক অমনি। মদুনবু লৈবাক কয়াদা অঙাংগী মমিং থোনবদা মহাক্কী লেনিন হায়বা মমিং অসি লৌরগা থোনবগী চৎনবী য়াম্না চাউনা লৈখি। মসিনা তাকপদি লেনিন হায়বসি খঙদবা লৈত্রে অমদি মহাকপু করম্বা মীশকনো হায়বদু নৌনা তাক্লিংঙাইদি ওইদ্রে।

মালেমগী মীওই অয়াম্বগী চিন-লৈদা লেনিন হায়বা মীং অসি পক্তুনা লৈরবসু মহাক্কী মরমদা লোয়না খঙলে হায়বদুদি অচুম্বা নত্তে। শম্না মহাক্কী মরমদা খঙদবা ৱাফম কয়া অমা লৈরি। নীংশিংবা য়াই মদুদি মহাক্কী ১৪৭লকশুবা মপোক কুমওন হন্দক্তা এপ্রিলগী তাং ২২, ২০১৭ তা পাঙথোকখ্রে। মহাক্কী ৱাখল্লোলদি শুরি-নোংলিবা লৌমী-শিন্মীশিং অসিসু অৱাংবা থাক্তা পুখৎতুনা লৈঙাকপদা য়াওহন্দুনা মালেমদা অওনবা অমা পুরকপা হায়বসিনি। মালেমগী লৈবাক কয়াদা শুরি নোংলিবা লৌমী শিন্মীশিং অসি লৈঙাকপদা য়াওবা ফংদ্রে। মদুদি লায়রদুনা শুজবা-নোমজবফাওবা তুহৎপি শেঞ্জাউ পায়বশিংনা। নোংমগী মনুংদা মতম শাংনা থবক শুহল্লি। মদুগী মতিক চাবা খূৎশুমল পীবিবসু নত্তে। থবক লৌথোক্লিংবা মতমদা হেক্তা লৌথোকপীবগী চৎনবীসু লৈরিবনি। শম্না হায়রবদা শেঞ্জাউ পায়বশিংনা খূৎলিংবা খুন্নাই অমনি মতম অদুদা তৌরিবসি। মতম অদু নিংথৌ লৈঙাক্তা শেঞ্জাউ পায়বশিংনা তোংশিন্দুনা লৈঙাকপা মতমনি। শেল্লিবা লো খুদিংমক অতোংবদা অথোনবা, অকুৎপদা লৈতৌবা হায়বদুমক্লি। করিগুম্বা য়ানীংদদুনা মমিৎনা হঙ্গৎনা য়েংলুবা মীওইদু মতিক চাবা থবক লৌখৎলি মখোয়না অপাম্বা মওংদা। থবক লৌথোক্কনি, মরাল লৈরে হায়দুনা ফাজিনগনি, জেলদা থমজিনগনি। অকনবা মওংদা য়ানীংদবা উৎলুরগনা কন্সেন্ত্রেসন কেম্পতা থাজিন্দুনা লাক্লবা য়াবমখৈ লাক্লগনি। মসিনি খুন্নাই অমদা লৈমিন্নবা মীওইশিংগী মরক্তা লৈবা খেন্নবা হায়বদু। মদুগী মীনাই য়োৎহল্লিং অদু লৌথোল্লগা মীনা মীবু ওৎতবা, অচৌ-পিশক খায়দবা মান্নবা খুন্নাই হায়বদুনি লেনিন্না পুরক্লবা হোৎনখিবদু। মহাক্কী য়াওল ঈহৌ অদু মায় পাকখি অমদি শেমখি মান্নবা খুন্নাই মতম অমগী সোভিয়েট য়ুনিয়ন্দা। মসিবুনি মালেম শিনবা থুংনা খঙনরবা গ্রেট ওক্টোবর রেভল্যুসন হায়রিবদু। মতমদুদা চাউরবা লৈবাক রসিয়া অমদি মসিগী য়ূমথংনবদা লৈরিবা লৈবাক পুনশিন্নদুনা শেমখিবনি মালেমদা মপাঙ্গল য়াম্না লৈবা সোভিয়েট য়ুনিয়ন কৌবা সুপর পৱার অমা।

মান্নবা খুন্নাইগী ওক্টোবর রেভল্যুসন হায়বসি ইরায় লায়না পুরকখিবা নত্তে। লেনিনগী পুন্সি তেমশিংনরকখিবনি। শম্না হায়রবদা য়াম্না চাউবা ঈহৌ অমনি অদুগা চহী কয়া চঙখিবা খোঙজং অমনি লায়রবগা-ইনাকখুনবগা খুন্নাইদা মান্নবা থাক্তা লৈমিন্নবা য়ানবা। রসিয়াগী নিংথৌ জারগী মীওই কয়া লৈ শেঞ্জাউ পায়বশিংগী মরক্তা। শম্না হায়রবদা লেনিননা চঙশিনখিবা ঈহৌ অদু মপাঙ্গল য়াম্না কনবা জারগী মায়োক্তনি। মসিগা মায়োক্নরকপা হায়বসি ৱাহৈ ওইনবু হায়বদা লায়বনি অদুবু থবক ওইনা তৌবদা লুবনি। জার নিংথৌনা লেনিনবু লোয় থারিবনি অথাপ্পা মীগা পাক্না শন্নবা ঙম্মোইদবা মফমদা। জেলদা কয়ারক হন্না থমখি। মহাকসু মরৈবাক থাদোক্তুনা চেল্লিবনি অওনবগী ঈহৌ অদু মায় পাক্নবা। মরৈবাক্তা অমুক হল্লকপদা অথিংবা কয়া থমদুনা চঙবা ঙমদনা লৈখি। নিংথৌগী মায়কৈদগী অথিংবা কয়া থন্নকপগী মথক্তা মশামক্কী ঈহৌ হৌরিবশিংগী মরক্তগীসু মাগী মায়োক্তা য়ানীংদবগী থৌদোক কয়া মায়োক্লরিবনি। নাকল অনীগী কল্লবা শাফুগী মরক্তনি মহাক্না নমথবিরবা শুরি-নোংলিবা লৌমী-শিন্মী অমদি লায়রবা মীওই কয়াগীদমক হনবা লৈতনা লেপখিবা। মহাক্কী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়াসু মায়োক্লবদা অৱাবা অমনি। অদুবু মদু পূম্নমক্তু লেনিনগী হৈশিংলবা থৌরাং থৌশিল অদুনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

লেনিন ৱা ঙাঙবদা য়াম্না হৈশিংবা পীথোরকপা মীনি। মহাক্কী ৱাঙাঙ কয়াদা মীওই লিশীং-লিশীংগী পূক্নিং থৌগৎলি অমদি মশাগী হক ফংনবা হোৎননীংবগী পাঙ্গল-থৌনা অদু ফাওহল্লি। রসিয়ান রেভল্যুসন মায়পাক্লবা হোৎনবদা মহাক্না পাউচে অমদি চেজায়গী মতেং য়াম্না লৌখি। মদুদগীসু মহাক্কী খোঙজংদা মতেং য়াম্না পাঙখি। মতমদুদা ঈ-পাউগী থবক অসি য়াম্না ফবা ফীভমদা লৈবা নত্তে। খন্দুনা য়েংবিয়ু মহাক্না চঙশিনখিবা খোঙজং অদু ১৯শুবা চহীচাগী লোইরমদাইদনি। অদুগা ২০শুবা চহীচাগী হৌগৎলকপা মতমদুদনি। মতমদুদা ঈ-পাউ ফাওনবগী থবক অসি য়াম্না খুমাং চাওশিন্দ্রি। মরম অদুনা পাউচে অমদি চেজোয় হায়বসিনা মীয়ামগী নাকোংদা ঈ-পাউ ফাউননবগী য়াম্না খুদোংচাবা খূৎলায় অমা ওইখি। মহাক্কী পার্টিগী ‘ইসক্রা’ কৌবা পাউচে অমা ফোঙখি। মদুদা মীয়ামগী পূক্নিং লৌশিং ওইগদবা অমদি থৌনা লিংজেল ওইগদবা ৱাফম কয়া ইদুনা ফোঙখি। লেনিন অঙকপা মখলগী অইবা অমনি। মহাক্কী খূৎই অমদি মফোঙদোক অঙকপা ফংনা মমল লৈখ্রবজাৎনি। মাগী পার্টিগী পাউচে ‘ইসক্রা’ হায়বসি ইংলিসতা ‘স্পাক’ মীতৈলোন্দা হায়রবদি ‘মৈরিক’ হায়বদুনি। মসিগী পাউচে অসি হিংহন্নবা মহাক্না মীয়ামগী মতেং য়াম্না লৌখি। মায় পাল্লবা মতুং সোভিয়েট য়ুনিয়ন শেল্লবা মতুংদা গভর্ণমেন্টকী ওইবা ‘প্রাবদা’ কৌবা পাউচে অমসু ফোঙখি।

“খোঙজং অসি হৌরে। লৈরক-খুল্লক্তা লান্থেংনবা হৌরে। খাজিল্লম্বা বেরিকেদশিং লংথোকখ্রে। রাইফলশিংগী লোক চিংলে। নোংমৈ কাপ্পগী মখোলনা নিল্লে। ঈগী লৌখোং চেল্লে। নীংতম্নবগী ঈহৌ কনখৎলে। সেন্ট পিটর্সবর্গতা থোমজিন্নবা পূম্নমক শেম শাদুনা লৈরে। লৌমী-শিন্মীশিংগী খোল্লাউদি মসিনা ওইরে - শিবা নৎত্রগা নীংতম্বা” ৱাফম অসি কুমজা ১৯০৫ দা লেনিন্না মীয়ামগী পাঙ্গল হাপ্নবা/পূক্নিং থৌগৎনবা হায়খিবনি। গ্রেট ওক্টোবর রেভল্যুসন মায় পাল্লবা মতুংদা পোলিটিকেল প্রোগ্রাম অমদা লেনিন্না হায়খি, লৌমী-শিন্মী পূম্নমক, সোভিয়েট লৈঙাক্না মীয়াম পূম্নমক্তা দেমোক্রেসি লৈহনগনি। লৌয়াম চাবা, শেঞ্জাউ পায়বা নিংথৌকোলগী লেপশল্লম্বা লম পূম্নমক লৌমীশিংগী কম্মিটি অমদা শিন্নগনি। হান্না লৈরম্বা ইন্দষ্ট্রিশিং শিন্মীশিংদা শিন্নগনি। লান্মীগী মনুংদা দেমোক্রেসি লৈহনগনি। কনষ্টিট্যুয়েন্ট এসেমব্লিগী মীফম লৈহনগনি। মফম খুদিংমক্তা মথৌ তাবা চংদবা য়াদ্রবা পোৎ চৈশিং ফংহনগনি। রসিয়াগী মীয়াম্না মশানা মশাবু লৈঙাকচবা ফংলগনি। সোভিয়েট য়ুনিয়ন শেমদুনা লৈঙাল্লবা মতুংদা জোসেফ ষ্টেলিনগা চাউনা মত খেন্নরকই। ষ্টেলিনদি খোন কন্না কন্না ঙাঙই অমদি হায়নি-হায়রোই খঙদনা ৱা ঙাঙই। মদু লেনিন্না য়াম্না হৈনদে। নোংমা মহাক্না অসুম্না হায়খি, কুমজা ১৯২৩ গী জান্যুৱারী থাদা ষ্টেলিনসি মবুক ফত্তে, পুকচেল ফজদে। মসিনা কম্যুনিষ্টশিংগী মরক্তা অফবা মরী অমা হায়বদু ওইদে। জেনরেল সেক্রেঙ্গটরি অমা ওইনা থৌওং অসি তৌহন্নীংদে। মরম অসিনা ঐনা কম্মান্দরশিংদা হৌদোক্লি মদুদি তোঙানবা পাম্বৈ অমা পুথোক্তুনা মহাকপু পার্টিগী ফমদগী লৌথোক্লবা হোৎনগদবনি। অদুগা মহাক্কী মহুৎতা মবুক মপাউ ফবা, কমরেদশিংগী মরী ফগৎনবা হোৎনবা মীশক অমা খনগদবনি।

মাক্সিজমদা য়াম্না থাজবা মশামক মসিদা লুপখিবা লেনিন মালেমগী শুরি-নোংলিবা মীওইশিংগীদমক মপুন্সি কৎথোকখি। মহাক্কী তুংলমচৎতা মালেমগী লৈবাক কয়াদা লৌমী-শিন্মীশিংগী ঈহৌ কয়া হৌনরকখি। মতাং অসিদদি ঈহৌগী থিওরি অসি মাক্সিজম হায়রম্বদগী ‘মাক্সিজম লেনিনিজম’ হায়না শেমদোক শাদোরকখি।

মনুং-মতম চাদনা থাবল চোঙবা য়াহনগুমসি

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

মণিপুর পূম্বগী ওইনা মনুং-মতম চাদনা থাবল চোঙবগী থবকসি লেপহন্নীংই। মমাঙদসু কয়ারক হন্না পঞ্জখ্রে। কুম-মৈদা থাবল চোঙবগী মতাংদা ইপা-ইপুশিংনা হেক-হেক হায়বীরম্বা ৱাহৈশিং লৈ। “ইচাশা! কুম-মৈদা থাবল চোঙবগী থবক্তি থাঙ-তেনশিংগা লোয়নগে’দনি”। ইপা-ইপুশিংনা হায়বীরম্বা ৱাহৈশিংসি কুইর-কুইরগা হেন্না-হেন্না চুল্লকই। ইপা-ইপুশিংনা মতমদুদা মীতৈ লৈবাক্তা মীচম্না নোংমৈ পায়বগী থবকসি শুকখঙ-খঙনরমদবনা অমদি পায়বসু পায়নরমদবনা চুম্না, থাঙ-তেনগী ৱাফমখক্তা ওইনা পনবীরম্বগী ৱানি। হৌজিক্তা ওইরল্লবদি, ‘শুপ্নগী নোংমৈখক্তগা লোয়নগে’তনি” হায়বা ৱাফমসিমক হায়বীরমগদবনি। তশেংতশেংনসু, মতম খরগী মমাঙদদি লমদমসিগী মীচম-মীয়ামশিংনা নোংমৈ পায়বগী থবক খক তৌনরমদে। হৌজিকখক্তনি লমদমসিদা, লৈঙাক্না পীবা য়াও, মথন্তনা মোরেদা চৎলগা লৈজরুবা য়াও, নোংমৈগী নোংমৈমক্তা, চৎনবী অমগী মতৌগুম ইরৈবাক-ইরমদমসিদা নোংমৈনা ৱাই চাইরিবসি। হৌজিক মতমসি নোংমৈগী মতমনি।

মহৌশানা থাবল চোঙবগী থবকসি লমদমসিগী পাখঙ-লৈশাবীশিংনা মশা-মশানা য়ানজবা, খঙনজবা পাখঙ-লৈশাবীশিংগী মরক্তা মখোয় মশেন, খুজেঙ পালোয়নদুনা (মতম অমদা খুজেঙদা ওইনা পায়দুনা থাবল চোঙনরম্বগী ৱানি) নুংশি-চান্নজবগী ৱাহৈশিং অমগা-অমগা ফোঙদোক্লবগী চপ-চাবা তাঞ্জাদুমক ওই। মরম অসিনা, মণিপুর তম্পাক লমদমসিদদি ফীভম্না য়াদবনা হৌজিকসু মঙাই, থাবল থিংবগী ৱাফমদি খক ঙল্লোই। অদুম ওইনমক, মীশিংসু য়ামখৎলল্লবা, ফৎনদবগী চাংসু হেঙ্গৎনরল্লবা মতমসিদা থাবল চোঙবা কুম্মৈগী থৌরমসি মফম-মতম, তাঞ্জা-মেঞ্জা য়েংদনা পংপাঙ-পাঙথোক্লবগী থৌদৌদি কৈদৌঙৈদা খক অশিংবগী থবক ওইরোই। ফীভমশিংসি লৈবনা, হৌজিক্তা চোঙবা থাবল হায়বসি শোয়দনমক্কী নুপামচা, পাখঙমচা অঙাওবশিং শিংনবা, মুক্নবা অমদি কল্লক-খম্বন্নবা, য়েংথিনবা হেল্লক্লবগী মচাকশিং খক্তনা অয়াম্বা ওইরক্কনি। মণিপুরদা নোংমদা থোক্লিবা খৎন-চৈনবা, মীহাৎ-মীপুনগী থবকশিংসি ওন্থোক্না য়ামখ্রে। ময়ামসিগী মথক্তা অসুম্না, মনুং মতম নত্তবদা তাঞ্জা চাদনা পাঙথোকপা, থোয়দোক্না তঙাইমক ফদনা পাঙথোক্তবা য়াদবমক নত্তবা থৌরমশিং, থাবল চোঙবা, ঈশৈ-নোংমাইনচিংবা তৌবা অমদি লীলা-পালা, কুম্মৈ-ফিয়োংশিংসিদগী থোক্লকপা থৌদোক-ৱাথোক ময়াম অমসু য়াওনরিবনি। থোকপা হায়ববু থোক্লিসিনি। ঙরাং-নহান্দসু থাবল চোঙফমদা নোংমৈনা পান্দুনা মীশি-মীনা থোকপগী পাউ লৈবাকসিগী পাউচেশিং অমদি আই এস টিভিনচিংবা মিদিয়া হাওসশিংদা শবাক ফাক্লিবদুনি। মহৌশানা মীয়াম পূনবা অমদি মীয়াম লাঙমিন্নবগী থৌদৌশিংসি হৌজিক্কী মতমসিদদি ইকি-কিনরে। তৌবদি, লৈবাকসি চাওখৎলকপা অমদি মীশিং য়ামখৎলকপগী মতুং ইন্না ৱাথোক লান্থোক অমদি থৌদোক-ৱাথোক্কী মশীং, নোংমা নোংমগী অসুম হেঙ্গৎলকপনি হায়নববুদি লৈ। চাওখৎলবা অমেরিকাগী ন্যুয়োর্ক সিটিদা নুমিদাং অমা খঙহৌদনা শুপ্নগী সেকেন্দ খরখক মৈ মুৎলুবদা, মৈ মুৎলিঙৈ মনুংদুদা থোক্লম্বা ক্রাইমশিংগী মশীং অসুক্কী মতিক থিবা ঙমদবমখৈ থোক্লম্মী হায়নবা লৈরিবসিনি। পূম্নমকসি গ্লোবেল ৱর্ল্ড ওইনা মালেমগী মফম খুদিংমক অমদি লৈবাক খুদিংমক্তা পূন্না ঈ-পাউশিং ফাওনদুনা চৎমিন্নবগী থৌদৌ কয়ামরুমসিনসু ওইহল্লকপগী মরমশিং ওইব্রা হায়বসু খন্নরি। অদুম ওইনমক, মালেমগী ওইনা নৎত্রবসু ইরমদমসিগীদং ওইনসু নোংমা নোংমগী থোক্লকপা থৌদোক ৱাথোকশিংগী চাংদি অসুম হেঙ্গৎলক্লি। হন্থহন্নবগী পাম্বৈ থিবদা ৱানরি।

থাবল চোঙবা হায়বা মীতৈগী কলচরসি মতম অমদা মণিপুরগী অৱাংবা থাক্কী কলচরগা মরী লৈনবা পোৎশক অমা ওইনা লৌনরম্মী। তৌবসু থৌদৌসি মীতৈশিংগী পুয়াদা মীতৈশিংগী য়েলহৌ ৱারীগী অহানবা শরুক ওইরিবা পোকপা-শিবা নাইদনা মথন্তা মদোম ঙাল্লিবা মপাং কনা য়াওদবা তাইবঙ মপূ মহাক্কী মালেম খুন্থোক ৱারীগী অহানবা শৈহৌদা য়ূম্ফম ওইবা থৌদৌনি। মীতৈশিংগী লাই, ইয়ুম লাইনিংথৌ অমদি ইয়ুম লাইনিংথৌগী মনাও, ইবুধৌ পাখঙবা অনীমক্কী য়েলহৌ ৱারীবু নীংশিংদুনা অমদি শৈথাদুনা মচা-মশু ওইবা নমু তাইবঙ ঐখোয়না তুংলমচৎতা চখনহৌবা থৌরম অমগী শক্তমনি মীতৈগী থাবল চোঙবা কুম্মৈসি। কুম্মৈসিবু করম্না তরাই-তরাইমকসু পাঙথোকহল্লুগনি। মথং-মথং কুমশিং মশীং লিশীং-লাক্ষনা খুজিং ওইদুনসু কুম্মৈসিবুদি কৈদৌঙৈদসু খক তান-মেন চাদনা, মফম-মতম নাইদনা, ৱাহল্লোক লাইথোকহল্লবা তাইবঙ মীগী ৱারী অমগুম পাঙথোক্লহন্নীংদে। মুন্না খঞ্জিল্লবদি অমুক্কা হেন্নসু লুশিলহনবা য়ারিবা কুম্মৈ অমসু ওইরি। অদুমক য়ৌনা হৌজিক্কী মতমসিদা লুনা লৌনরমগদবা মীওইশিংসু থোয়দোক্লবুদি তাঙলম্লগনি খল্লি। অদুম ওইনমক, মীতৈশিংগী কুম্মৈ অসি মতম লৈবা খিবিক্তা মতিক-ময়াই খক হন্থহন্দনা, খ্বাইদগী চাউবা অমসুং লুবা কুম্মৈ অমা ওইনা থম্বা হায়বসিদি মণিপুরদা লৈরিবা মণিপুরীশিং, মরুওইনা মীতৈ ফুরুপ খুদিংমক্না য়ামিন্নফম থোকই। মালেমগী মফম খুদিংমক্তসু মীওই কাঙলুপ খুদিংমক্না মাগী-মাগী লাইনীং-লাইশোনশিংগা মরী লৈনবা কলচরগী থৌরম খুদিংমকপু তুংগী মীরোলশিংনা মতিক-ময়াই হন্থদনা নীংশিংদুনা লৈহৌনবগীদমক হোৎননবা ঙাক্তনি। মীতৈগীসু ঐখোয় খুদিংমক্না থাবল চোঙবা হায়বা কুম্মৈসিবু মতম পূম্নমক্তা মতিক-ময়াই হন্থদনা লৈহৌনবগীদমক হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। তশেংবমক্তি কুম্মৈ অসিগী হেক অশেংবা নুমিত্তি শুপ্নগী লমতা থাগী থানিল নুমিৎ অসিখক্তা ওইফম থোকপনি। অদুম্মকপু ঙল্লিঙৈদগী হৌনা নীংশিং থৌরম অসি লমতা থাগী থানিল নুমিত্তগী মতুং খরা চোম্থনা ফাওবা অসুম পাঙথোক্লবগী চৎনবী অমা মণিপুরদা লৈরকই। মমৈথংদা মীতৈশিংনা হিন্দুনাইজ তৌরকপগা ইরোয়ননা, কুম্মৈ অসি হিন্দুশিংগী লমতা থাগী থানিল নুমিৎতগী হৌবা, নুমিৎ ৫ নি চুপ্না পাঙথোকপা হোলি ফেষ্টিবেল (য়াওশঙ কুম্মৈ) গা পূন্না নুমিৎ অমত্তদা তামিন্নরুবনা হোলি ফেষ্টিবেলগী নুমিৎ মঙানিদুমক ওইনা ঐখোয়গী লমতা থাগী থাবল চোঙবগী কুম্মৈসু চথদুনা পাঙথোক্লবা হৌরকপনি। অদুবু, মণিপুরদা লমতা থাগী থাবল চোঙবা কুম্মৈ মরুওইনা পাখঙ-লৈশাবীশিংগী কুম্মৈ ওইনা মপূং ওইখিবনা মখা হেন্না শাংদোক্লবগী অপাম্বা লৈনরকপদগী থানিল নুমিত্তগী মতুং লমতা থাখায়দুমা ফাওবা শাংথরকখি। মদুগী মতুংদা লমতা থাগা তাইনবা শজিবু চৈরাওবা নুমিৎ মীতৈশিংগী চহী হৌবগী কুম্মৈ নুমিৎসি ফাওবদা মীতৈগী থাবল কুম্মৈ মরীল চথরকখি। লাইবক থিবদি, হৌজিক মীতৈশিংনা হিন্দু ওইরুবগী মতুংইন্না বাঙ্গাল হিন্দুগী চড়ক পুজা নুমিৎ শজিবুগী ১৪ নি পানবা হিন্দু মীতৈশিংগীনা চৈরাওবগী নুমিৎ অসি ফাওবদা ‘মীতৈশিংগী লমতা থাগী থাবল চোঙবা’ কুম্মৈসি শাংদোক্লরকপগী চৎনবী লৈরকই। ফীভমসিদা মীতৈশিংগী থাবল চোঙবা কুম্মৈসি অরেপ্পা মতম লৈতনা পাঙথোক্লিংবা নুমিৎতা হেক্তা পাঙথোক্লবা য়াবা কুম্মৈগী মতৌগুম লমদমসিদা উনরকখি। থৌদৌসিগী মরমদা অখঙ অহৈশিংগী ৱাখল্লোনশিংগা লোয়ননা অমুক্তং মপূং ফানা অরেপ্পা অমগীদমক খন্ন-নৈমিন্নবা ফৈ। অদুমকপু ফনা হায়দুনসু মীতৈ অমসুং হিন্দু মীতৈশিংগী শজিবু চৈরাওবগী নুমিৎশিংনা অরেপ্পা খঙনদ্রিবা মখৈদি মণিপুরদা মীতৈশিংগী থাবল চোঙবগী চৎনবীসি অরেপ্পা মতম অমা থম্বা খক লুখিনি। অদুম ওইনমক, করি-করি ফনমক ওইদুনসু মীতৈশিংগী থাবল চোঙবগী চৎনবীসি থেংলবদা হৌজিক চৎনরিবা হিন্দু মীতৈশিংগী শজিবু চৈরাওবা নুমিৎ অসিগী মতুংদগীদি অথিংবশিং লৈহন্নীংই।

লমতা থাগী থাবলবু মীতৈশিংনা চহী চুপ্পদা চোঙনীংবা মতমদা পংচোঙদা চোঙবা য়াবা কুম্মৈ অমা ওইনা পাঙথোক্লরকপা হায়বসি মীতৈশিং ইতৈ-তৈ হায়বগী ৱাহন্থোক্তুদা হঞ্জিল্লক্কনি খল্লি। ঙসি-ঙসিমক অখঙ-অহৈশিং কয়ামরুম্না ইতৈ-তৈরম্বা মীতৈগী থৌদোক-ৱাথোকশিংগী মরমদা অরেপ্পা অমা খঙদোক্তুনা, মশা-মশাগী তং-তাবা অতাবী অমমমদা পুরক্লবা কন্না হোৎনরিঙৈ চৈরকসিদা, “হে-মতমসিগী হে-মীতৈ লৈশাবী মচাশিং! নখোয়সু অমুক্তংদি নপূক্নিংশিংদু ৱারকউ। মথং চহীগী থাবল ঙাইখিসি। নংহৌরোইদৌ মতাগুম, থাবলদা পংচোঙদা চোঙনীংলকপা অমদি নুমিৎ-থা, মতমগী ৱাফম ইথম-থমদনা থাবলগী মঙলান্দা পংমংদা মংবগী থৌদৌসি খরদং লেপখিসি। নৌনা পুথোল্লক্কদবা নুংঙাইগদবা ফিল্মশিং ঙাইমিন্নবগুম, থাবলগীদমকসু তারিখ ঙাইমিন্নখিসি”।